HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফেয়র ওফিসর বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা জেন্দর দিস্ক্রিমিনেশন অমসুং মসিগা মরী লৈনবা এক্টকী মতাংদা এক্সপর্ট অমনা শরুক য়াখিবশিংদা শন্দোক্লা তাকখিবা


লৌশিং পূক্কে : চহী য়াম্লবা মীওইশিংনা অঙাংবা ... লামায় ২

লামায় ৫ 'কুকি মিনিষ্টর অনী ওফিস কাদ্রি-!'

পূক্লিং-ৱাখল লায়েংবগী অমত্তা ঙায়রবা পাম্বৈদি... লামায় ৬

লামায় ৭ ফেষ্টিভেল ওফ ফোল্ক নেরেটিভ আর্টস এন্দ কংলা...

দেল্লি মীখল : নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা... লামায় ৯

লামায় ১২ নেশনল গেমস ২০২৫ : সাইক্লিং অমসুং...


ফৌবাকচাও হায় স্কুলদা পাঙল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেশননা পাঙথোকখিবা একাদেমিক কেম্প্যেনদা মহৈরোয়শিংদা ষ্টদি মেটরিএলশিংবু থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেননা খূৎশিন্নবা




Vol. 48, Issue No. 301 | শগোলশেন, ফাইরেনগী ৯নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, February 06, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## সম্বিট পাত্রনা থেম্বদা য়াদ্রে, এসেমব্লি মীফম মমাঙদা লৈঙাক পায়মিন্নরকখিবা এম এল এশিং খাইবোক তাগদৌরিব্রা

# চীফ মিনিষ্টর ১সুং এম এল এ-মিনিষ্টর ৭ দেল্লীদা চৎখ্রবসু হোম মিনিষ্টর উনবা ফংখিদ্রি

### চীফ মিনিষ্টর মশানা এসেমব্লিদা মহাক্কী পাঙ্গল চাংয়েং তৌফম থোকই : এম এল এ অমা

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ২৪দা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা মীফম থা অসিগী ১০গী অয়ূক পুং ১১দগী হৌরগনি হায়দুনা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা সম্মন তৌখ্রবা মতুং জন্যুৱারী ২৬তা স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রতবু হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা কৌরক্তুনা মথংগী নুমিৎতা উনরম্লবা মতুং থা অসিগী ৩দা আর দি এন্দ পি আর মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দবুসু কৌরকপদগী দেল্লীদা চৎখ্রবা মতুং গভর্ণরনা ঙরাং নেশনল কেপিটেলগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবা অদুগা ঙসিনা চীফ মিনিষ্টর অমদি মহাক্কী মিনিষ্টর-এম এল এ ৭না দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনা এসেমব্লিগী মীফম মনুংদা নৎত্রগা মতুংদা থোকপগী মহুত্তা মীফম অসিগী মাঙওইননা লৈঙাক পায়মিন্নরকখিবা পার্টি অমগী এম এল এশিং খাইবোক তান্নরক্কদ্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।

ঙসি নুমিদাং ফাওবদা ওইরকখিবা ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেলগী ফীভমগী মতাংদা পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা মমাঙ থাগী ২৭কী নুমিদাংদা হোম মিনিষ্টরগা উনখিবদা মহাক্না স্পিকরদা হন্দক্কী এসেমব্লি সেশন অসি ফাওবদি মহৌশাগুম্না চরাংনবা অমত্তা থোকহন্দনা মপূং ফানা পাঙথোক্লগা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগী এম এল এ-মিনিষ্টরশিংগী মরক্তা লৈরিবা পেন্দবশিং অদু সেশন লোইরগা শন্তাইনবা খন্নসি হায়না ফোঙদোরকখিবনি হায়রি।

অদুবু থা অসিগী ৩দা মিনিষ্টর খেমচান্দনা দেল্লীদা থুংবগা পন্থদনা বি জে পিগী মণিপুরগী ইন চার্জ অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা ডা. সম্বিট পাত্রগা উনখি। মহাক উনবদসু হোম মিনিষ্টরনা হায়রকখিবা ৱাফম অদুমক ফোঙদোরকপদা মিনিষ্টরগী মায়কৈদগীদি ৱাফম অদু থবক্তা ওন্থোকপা নৎত্রগা ওন্থোক্তবা হায়বদুদি মহাক খক্তনা ঙমদে। মরম অসিনা পার্টিগী এম এল এ-মিনিষ্টরশিংগী অপাম-পামদা খঙদোক্লবা অমমমতা ওইনা উনরগা ৱারী শাবীয়ু হায়রমখি হায়রি।

মিনিষ্টর খেমচান্দগী ৱাফম অসিদগী মখা তানা মহাক্না উনবদা পোজিটিভ ওইররোই খনবদগী ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মহাক্না উনখিদ্রি। অদুম ওইনমক গভর্ণরনা ঙরাং দেল্লীদা চঙখিবগা ঙসি নুংথিল পুং ১.৪৫গী ইন্দিগো ফ্লাইটতা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রবা মতুংদা ঙসি নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদনা চার্টরদ ফ্লাইট অমদা মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বাজিৎ, গোবিন্দাস কোন্থৌজম, এল সুসিন্দ্রো অমসুং এম এল এশিংদা কে ঐচ ইবোমচা, এস কুঞ্জকেশ্বর, কে শ্যাম অমসুং এস প্রেমচন্দ্রসু ইম্ফাল থাদোকখি। মিনিষ্টর-এম এল এ ৭কা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই মরিসু চার্টরদ ফ্লাইট অসিদা তোংমিন্নখি হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসি নুমিদাং পুং ১১.৪০ ফাওবদা দেল্লীদগী ফংবা পাউদদি চীফ মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কী মিনিষ্টর-এম এল এ তরেৎকা উননবা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী মায়কৈদগী এপোইন্টমেন্ট পীরকখিবা লৈত্রি হায়রি।

ঙসিগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং এম এল এ-মিনিষ্টরশিংগী খোঙচৎ অসিগী মাঙওইননা হান্নদগী দেল্লীদা লৈরকখিবা লৈঙাক্কী এম এল এ-মিনিষ্টর খরগসু সম্বিট পাত্রগা উনখ্রে হায়রি। উনবদুদা মহাক্না মিনিষ্টর খেমচান্দদা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুমক চপ মান্ননা হায়রকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমখিদ্রি। মরম অসিনা থা অসিগী ১০দগী হৌগদৌরিবা সেশন অসিগী মাঙওইননা লৈঙাক পায়রক্লিবা পার্টিগী এম এল এশিংগী মরক্তা য়াম্লা চাউনা খাইবুং তান্নবগী থৌদোক অমা থোরক্কদ্রা হায়বগী ৱাহং মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লি।

অমরোমদা, মণিপুরগী হৌজিক ওইরক্লিবা পোলিটিকেলগী ফীভমশিং অসিগী মতাংদা ঙসি নুমিদাং পুং ১১.০১ তারকপদা পাউচে অসিনা মণিপুরগী এম এল এ অমগা টেলিফোনদা শানখিবা ৱারীদা মহাক্না হায়, লৈরিবা লৈঙাক অসিদা শৌগৎলম্বা কে পি এ অমসুং এন পি পিনা শৌগৎপা তোকখ্রবনিনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি সেশনদা চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী পাঙ্গল চাংয়েং 'ত্রাইএল ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### 'সেন্টরগী লুচিংবশিংনা মথৌ তাবা মীওই কৌশিল্লকপা ওইগনি, কুকি এম এল এ ১০না এসেমব্লি মীফমদগী ছুটি নিরকপা লৈত্রি'

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১০গী অয়ূক পুং ১১দগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা অমসুং চৎলিবা চহী অসিগীনা গভর্ণরনা এড্রেস পীগদবা অহানবা এসেমব্লিগী মীফম পাঙথোক্লবা মমাঙ থাগী ২৪দা গভর্ণরনা সম্মন তৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ৩দা বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিটি (বি এ সী) গী মীফম পাঙথোক্তুনা হন্দক্কী সেশন অসি সিট্টিং ১১ লৈদুনা চত্থগনি হায়না লেপথোকখ্রবা মতুংদা মিনিষ্টর খেমচান্দবু কৌরকপদগী থা অসিগী ৩দা দেল্লীদা চৎখিদুনা ঙসি ফাওবা লৈরক্লিবা অমসুং গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ঙরাং দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবগী মথক্তা ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং মহাক্কী এম এল এ/মিনিষ্টর



স্পিকর থোকচোম সত্যব্রত

৭সু ইম্ফাল থাদোকখিবগী মতাংদা স্পিকর থোকচোম সত্যব্রতনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এ আই টি য়ু সী, মণিপুর অমসুং মপাং লূপশিংনা য়ুনিয়ন বডজেটকী কোপিশিং মৈ থাখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :** মীওই লাখ কয়ানা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্নরক্লিবা মণিপুরগী ওইবা অখন্নবা পেকেজ নৎত্রগা লৈরিবা স্কিম ৱার্করশিংগী য়াইফনবগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা য়াওদবা য়ুনিয়ন বডজেট অসি এন্টি পিপলনি অমসুং এন্টি লেবর ওইবা লায়র মীয়ামগী য়াইফবনা থৌরাং অমত্তা য়াওদে হায়না পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা ঙসি ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সী), মণিপুর না মহাক্না চৎমিন্নবা মপাং লূপশিংগা খুৎশম্নদুনা য়ুনিয়ন বডজেটকী কোপিশিং মৈ থাদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।



ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা এন দি এ লৈঙাক্কী এন্টি-লেবর পোলিসিগী মায়োক্তা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্টকী শরুক অমা ওইনা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা খোঙজংগা মরী লৈননা কংলা পার্ক মনীংগী মেন রোদতা য়ুনিয়ন বডজেটকী কোপিশিং পুথোক্তুনা মৈ থাখিবনি।

প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা য়ানীংদবা ফোঙদোকপা মীফমদা এ আই টি য়ু সী, মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা হায়, বডজেটনি হায়বগা লোয়ননা বডজেট অসিদা লৈত- ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### এসেমব্লি মীফম হৌরমদাইদা এন পি পি মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনখ্রে

## ৱাই জয়কুমারবু ইন্টরিম প্রসিদেন্ট খনখ্রে এম এল এ নুরুলবুনা লেজিসলেচর লিদর ওইহনখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :** গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা মীফম থা অসিগী ১০গী অয়ূক পুং ১১দগী হৌননবা মীফম অসিগী মাঙওইননা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিং মরু ওইনা মশাগী এম এল এ লৈজরিবা পার্টিশিংগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা ফি শেম্নরকপগী মখা তারকপদা নেশনল পিপলস পার্টি (এন পি পি), মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ূম্নাম জয়কুমারবু খনখ্রে অদুগা এম এল এ সৈখ নুরুল হাসনবুনা পার্টি অসিগী লেজিসলেচর পার্টিগী



সম্মন তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদগী হৌরদুনা হন্দক্কী লিদর খনখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### ইন্দিয়া মচাশিংবু হেন্দকফ চন্দুনা পুরক্লিবা করিগীনো

## ইন্দিয়াদা লৈবা বাংলাদেশ মচাশিংসু হলহনখিগদবনি : সশি থারুর

**ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ০৫ (এজেন্সী) :** দোনাল্ড ট্রম্পনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখিবগা পন্থদনা মহাক্না পায়খৎকনি হায়দুনা লাউথোকখিবা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট মিলিয়ন ১১ রোম লৈ হায়রদুনা মখোয়বু মশা-মশাগী মরমদা হলহনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা আমেরিকাদা লৈরকপা নুপী অঙাং য়াওনা ইন্দিয়া মচাশিংবুসু মখোয়গী মরমদম ইন্দিয়াদা হল্লকপা হৌরকখিবদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্নরক্তুনা ৱাথোক ওইরক্কদৌরে।



য়ু এসতগী ইন্দিয়া মচা ১০৪ পুরকখিবা মিলিটরি এয়রক্রাফ্টনা অমৃটসরগী শ্রীগুরু রামদাসজি ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতা থুংলখিবা

অনীরকশুবা খোঙচৎ ওইনা য়ু এসকী মিলিটরি ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## দিসক্বালিফিকেশন কেসশিং মায়োক্নরিবা এম এল এ ৫গী লাইবক হয়েং চপ চানা খঙলগনি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০২২দা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্লবা মতুংদা বি জে পিনা লুচিংদুনা লিংলক্লবা মণিপুর লৈঙাক্তা শৌগৎলম্বদগী অপূনবা এম এল এ ৬কী মনুংদগী ৫না বি জে পিদা মর্জ তৌরে হায়দুনা স্পিকরদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা খঙহল্লকপদগী স্পিকরনসু অয়াবা পীখিদুনা বি জে পি ওনশিনখ্রবা এম এল এ ৫না মায়োক্নরক্লিবা দিসক্বালিফিকেশন কেসশিংগী অরোইবা ৱায়েল থা অসিগী ৭কী অয়ূক পুং ১১দা এসেমব্লিদা টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা লিংলিবা স্পিকরগী ট্রাইব্যুনেলদা চত্থরগনি হায়রকপনা নুমিৎ অসিদা এম এল এ ৫গী লাইবক চপ চানা খঙলগনি।



দিসক্বালিফিকেশন কেসশিং মায়োক্নরক্লিবা এম এল এশিংনা কে ঐচ জয়কিষণ (থাংমৈবন্দ), ঙুরসাংলুর সনাতে (টিপাইমুখ), এম দি অসবউদ্দিন (জিরিবাম), থাংজম অরুনকুমার (ৱাঙ্খৈ) অমদি এল এম খৌতে (চুড়াচান্দপুর) নি।

মখোয় মঙাগী মথক্তা দিসক্বালিফিকেশন পিটিশনশিং ফাইল তৌরকখিবা পিটিস্নরশিংনা ৱাঙ্খৈ কোন্সম লৈকায়দগী কোংগ্রেসকী ভাইস ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## চীফ মিনিষ্টরনা আর্টিকল ৩৫৫ চৎনদে হায়খ্রগা বি জে পিগী ৱাঙাঙলোইনা চৎনরে হায়রকপসি চিন থীবা ১সুং ওইদবা ঙাঙলে তাকপনি : কোংগ্রেস

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেশন অমগী মনুংদা হাউসতা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মণিপুরদা আর্টিকল ৩৫৫ চৎনবা লৈতে হায়খি অদুগা ঙরাং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাঙলোইনা মণিপুরদা আর্টিকল ৩৫৫ চৎনরে হায়রিবসি চিন থীবা অমদি ওইদবা ঙাঙলে হায়বদু অদুম তাকচরে হায়না এম পি সী সীগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট কে ঐচ দেবব্রতনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, নহান নুমিদাংৱাইরম এম পি অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখিবা ৱাফমগী মতাংদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাঙলোই অনীনা হায়রক্লিবা ৱাফমশিং অসি মীয়াম্বু লান্না লমজিংবনি। বি জে পিগী ৱাঙাঙলোই সুরেসনা ঙরাং কোংগ্রেস ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## মীওই ১ ওইথংবা মখোঙদা কাপ্লম্লে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুং ৯ লোম তারকপদা লম্ফেল পুলিস ষ্টেশনগী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা লাঙ্গোল গেম ভিলেজ চৎপা লম্বীদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জ ওফিস কমপ্লেক্সকী মনাক্তা শকখঙদবশিংনা মীওই অমা ফাদুনা পুরক্লগা ওই থংবা খুবোমদা নোংমৈনা কাপ্লগা থম্লম্লে হায়রি।



থৌদোক অসিদা শোক্লবা মীওই অদুগী মমিং লৈশাংথেম কৃটিঙানবা কৌই। মশাগী চহী ২৮ লোম শুরে। চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেশনগা নক্ননা লৈরিবা মান্দব মীতৈ লৈকায়দগীনি। মহাক হৌজিক্লা লাঙ্গোল গেম ভিলেজ জোন ফোরগী ক্বার্টর অমদা লৈরকখিবনি। মহাক নোংমৈ মরূনা পানবদা নত্তনা কোক্কী শরুক্তসু শোক্লমখিবনা নোংমৈনা পানবদগী তুশিনবা ওইগনি থাজনরি। অদুম ওইনমক মহাকপু কনানা করি মরমগীদমক নোংমৈনা কাপ্লম্বনো হায়বা খঙবা ঙমখিদ্রি।

### মফম ২দা বোম ২ থম্লম্লে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস):** ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা শীংজমৈ পি এসনা কোনবা ককৱা হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবা এগ্রিকলচর লোয়শঙদা থবক তৌরম্বদগী পোত্থারবা অসেম রঞ্জিৎ কৌবা মশাগী চহী ৬৪ রোম শুরবা মীওই অমগী য়ূমদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থম্লম্লে হায়রি।

মহাক্কী য়ূমদা বোম থম্লম্লে হায়বগী পাউ তাবদগী শীংজমৈ পুলিসনা বোম এক্সপার্টকা লোয়ননা লাক্লগা বোম অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা পোকখায়হন্দনা লৌখৎখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, মমাঙ থাগী ১৬কী নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদসু মীওই অসিগী শুমাংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## রিলিফ কেম্পতা লৈরকপশিংনা থৌরী য়ান্দুনা শিনরিবশিং অসি ৱামনবদগী শিবনা ফরে খন্দুনা শিনরকপা ঙাক্তনি : প্রমো

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**মোটবুংদগী খুঞ্জা**

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) :** ঐখোয়দি শূফম-নোম্ফম লৈত্রবনিনা য়াম্না ৱারে, ঐখোয়গী অৱাবসি লৈঙাক্না অমুক্তং লাক্লগা য়েংবীরবদি খঙগনি হায়রদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা মীওই পূম্নমক য়াম্না ৱারে। মরম অসিনা পাকখল ওইরবসু য়ূম অমদা লৈবা পাম্মী হায়না ফোঙদোক্লদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী মনুংদগী থৌরী য়ান্দুনা শিবা য়াওরক্লিবসি ৱামনবদগী শিবনা ফরে খন্দুনা থোরকপা থৌদোক্কি হায়না কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মোটবুংদগী লাঙেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী ঙারিয়ানবম ওংবী প্রমোনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়, মোটবুং অসি অঙাং ওইরিঙৈদগী



হৌনা ঐগী পোক্লফম লমদম ওইনা মফম অদুদা লৈরকখিবনি। ঐ হৌজিক চহী ৬০ শুরে। মফম অদুদা কুকিশিংগা য়াম্না নুংশি-চান্ননা ইচিল-ইনাওদৌনা লৈমিন্নরকখিবনি। অদুবু মে ৩, ২০২৩দা ঈরাং থোরক্কনি হায়বসি মাঙ-

জৌননা খঙখিদে। রেল্লি চৎলি হায়বদুদি তাখি। নুমিদাংৱাইরমদা য়ূমদগী থোক্কে তৌবদা ইপ্বা নুপানা ঐঙোন্দা 'ইচে থোক্লুরনু ঈরাং লৈগদবা মাল্লি' হায়রকখি। অদুবু ঐনা থোক্লুবদা ঐহাক্কী দুকান মপাদুদা পুলিসকী মারুটি জীপসি অমা খামদুনা লৈরম্বা উখি। অদুগা কৈসু থোইদোকপা থৌদোক ৱাথোক্তি থোক্লমখিদে। ফীভম অদু উবদা পুলিস লৈবা নত্তনা ঈরাং থোকই হায়রগা কনামত্তসু উদে হায়দুনা খল্লগা য়ূমদা চঙলকখি।

য়ূমদা চঙলকপদা ইমৌনুপীনা 'ইমা চাক চাথোকও' হায়রকখি। ঙা থোংগে তৌরম্বনি অদুবু থোংদ্রে, ঙাদু তাওথোক্লগা অতাওবা খরসু থম্লে, হয়েং অয়ূক থোংলসি হায়না ইমৌনুপীনা মখা শমথরকখি। ঐনসু হোয় হায়দুনা চাক চাথোকমিন্নরে। অদুগা করিগুম্বা ঈরাং থোরক্লবদি ইমৌনুপীদা নখোয় ৪ চেনখ্রো, ঐদি য়ূম শঙহৌগে হায়খি। (মথং-মথং)

## কংলাগী নোংপোক তোর্ব্বান শেমগৎপা মার্চ ফাওবদা লোইশিল্লগনি : হরিকুমার থিংবাইজম

নোমিতা খোংবান্তাবম

### ইমা কৈথেল ৩গী মখাদা শেমগৎলক্লিবা অন্দরগ্রাউন্দ পব্লিক পার্কিংগী মনুংদা কৈথেল নম্বর ২গী লোইরে, নম্বর ১ অমসুং ৩গীসু অথুবা মতমদা লোইশিল্লগনি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস):** ষ্টেট অসিগী ময়ায় চবুক ওইরিবা ইম্ফাল মনুংদা শেমগৎকদবা স্মার্ট সিটিগী মখাদা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা অৱাংলোমদা মিনুথোং লোমদগী শেমগৎলক্লিবা কংলাগী নোংপোক থংবা তোর্ব্বান অসি থেংলবদা মথং থা মার্চ ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি অমসুং ইম্ফাল মনুং মরু ওইনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমসুং অকোয়বদা মী চিনবগী চাং হন্থহন্নবগীদমক খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল অহুমগী মখাদা শেমগৎলক্লিবা অন্দরগ্রাউন্দ পব্লিক পার্কিং অহুমগী মনুংদা হৌজিক কৈথেল নম্বর ২গীদি লোইরে,



ৱাৎহৌরিবা কৈথেল নম্বর ১ অমসুং ৩গীসু অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎনরি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫